# মুম্বাই সিটি এফ সীনা চেন্নাইন এফ সী থোইদুনা আই এস এলদা থংন-থংনবা মেটচ ৪ মায় পাকপা ঙমখ্রে

10 Dec, Thursday (22nd Match)
SC East Bengal
vs
Jamshedpur FC
Time : 7:30 PM



মুম্বাইগী শান্নরোয় অমদা য়েলো কার্দ উৎখিবা মণিপুর মচা রেফরি এল অজিৎ

বম্বোলিম, দিসেম্বর ০৯(এজেন্সী): মণিপুরগী লাইরেনলাকপম অজিৎনা রেফরি ওইদুনা ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৭লকশুবা এদিসনগী ২১শুবা মেটচতা মুম্বাই সিটি এফ সীনা চেন্নাইন এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা ক্লব অসিনা অহানবা মেটচ মায়থীখ্রবা মতুং শান্নরকপা থংন-থংনবা মেটচমরি মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদু মুম্বাই সিটি এফ সীগী ওইনা মঙাশুবা মেটচনি। অদুগা চেন্নাইন এফ সীগীনা মরিশুবা মেটচ ওইখি। মুম্বাই সিটি হান্না মেটচ ৪দা পোইন্ট ৯ ফংদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈখি। অমরোমদা চেন্নাইন এফ সী মেটচ অহুমদা পোইন্ট ৪ ফংলগা ৮শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অসিগী প্লেয়িং ইলেভেনদা মুম্বাই সিটি এফ সীদা মণিপুর মচা বিপিন য়াওখি। চেন্নাইন এফ সীগীনা রেগান য়াওখি।

মেটচকী হৌরকপা পুংখায় অমরোম ফাওবদি টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। মিনট ৪০ চঙশিল্লকপদা চেন্নাইন এফ সীগী মায়কৈদগী শাংতেনা মুম্বাই সিটি এফ সীগী দিফেন্দর ৪ লাম্থোক্তুনা পুশিল্লকপা বোল অমা মহাক্কী টিমমেট স্লোভাকিয়া মচা জাকুপ সেলভেষ্টরদা খায়দোরকপদা সেলভেষ্টরনা অশোয়-অঙাম য়াওদনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

মতম ইকান কান্নদনা অহানবা হাফ অদুগী ইঞ্জ্যুরি টাইমগী অহুমশুবা মিনটতা মুম্বাই সিটি এফ সীনা কাওরকপা কোর্নর কিক্ অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় হর্নান সান্তানানা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপদা টিম অনীগী শান্নরোয়শিংনা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিন্দুনা মায় পাক্লনবা হোৎনরকপনি। চেন্নাইনদি টুর্নামেন্ট অসিদা মেটচ অমখক্তমক মায় পাকপদা ঙাইরি। মরম অদুনা টিম অদুগী শান্নরোয়শিংনা ঙসিগী মেটচ অদু মুম্বাইবু মখোয়না মায়থীবা পীবগী অচৌবা থাজবগা লোয়নননা শান্নরকখি। অমরোমদা মুম্বাই সিটি এফ সীনা পোইন্ট মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা অদু মখা তাননবা চেন্নাইনবু থোইদবা য়াদবনি।

মেটচকী ৭২শুবা মিনটতা মুম্বাই সিটিগী মায়কৈদগী রেফরি এল অজিৎনা য়েলো কার্দ পীখিবা ভিগনেশ তোন্দোনবনা মহুৎ শিল্লকখি। শান্নবগী মিনিট ৭৫ শুরকপদা মুম্বাই সিটিগী মায়কৈদগী ফ্রী কিক্ অমদগী লাকখিবা বোল অদু টিম অদুগী অদাম লি ফোন্দ্রেনা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। চেন্নাইন পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা ১-২দা মায়থীখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 5 | 4 | 0 | 1 | 8 | 2 | 6 | 12 |
| 2 | Northeast United FC | 5 | 2 | 3 | 0 | 8 | 5 | 3 | 9 |
| 3 | ATK Mohun Bagan FC | 4 | 3 | 0 | 1 | 5 | 2 | 3 | 9 |
| 4 | Bengaluru FC | 4 | 1 | 3 | 0 | 5 | 4 | 1 | 6 |
| 5 | FC Goa | 4 | 1 | 2 | 1 | 6 | 5 | 1 | 5 |
| 6 | Hyderabad FC | 3 | 1 | 2 | 0 | 2 | 1 | 1 | 5 |
| 7 | Jamshedpur | 4 | 1 | 2 | 1 | 6 | 6 | 0 | 5 |
| 8 | Chennaiyin FC | 4 | 1 | 1 | 2 | 3 | 4 | -1 | 4 |
| 9 | Kerala Blasters FC | 4 | 0 | 2 | 2 | 3 | 6 | -3 | 2 |
| 10 | Odisha FC | 4 | 0 | 1 | 3 | 2 | 6 | -4 | 1 |
| 11 | East Bengal Club | 3 | 0 | 0 | 3 | 0 | 7 | -7 | 0 |

# পেরিস ওলিম্পিক্সতা বোক্সিং অমসুং ৱেথলিফটিংগী মশীং হন্থরগনি, অনৌবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন ৪ হাপচিল্লগনি



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ০৯(এজেন্সী): ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি (আইওসী)গী নিংথৌকাবা নুমীৎতা পাঙথোকখিবা চহী অসিগী অরোইবা এগজিক্যুটিভ বোর্দকী মীফম্না লৌখিবা ৱারেপ্তা কুমজা ২০২৪দা ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসতা বোক্সিং অমসুং ৱেথলিফটিং দিসিপ্লিনগী শান্নরোয় মশীং হন্থরগনি। লোয়নননা অনৌবা দিসিপ্লিন মরি- ব্রেকদান্সিং, স্পোর্ট ক্লাইম্বিং, স্কেটবোর্দিং অমদি সর্ফিং য়াওরগনি।

আই ও সীগী মায়কৈদগী লৌরকখিবা ৱারেপ অদুনা ওলিম্পিক্সতা শীন্দোক-শীঞ্জিন তৌবদা হেন্না খূদোংচাবা লৈহন্নবনি হায়খি। ৱেথলিফটিং দিসিপ্লিনদা পূন্না শান্নরোয় ৭৬ মশীং হন্থহল্লগনি। লোয়নননা বোক্সিং দিসিপ্লিনদনা বোক্সর ৩৪ হন্থহনগদৌরি। পূন্না পেরিস ওলিম্পিক গেমসতা কম্পিটিটর ১০,৫০০ ওইহনগদৌরি। শান্নরোয় মশীং হন্থরিবা অসিনা ওলিম্পিক্সতা জেন্দর ইক্বেলিটি লৈনবা শিল্লকপনি। নুপাগী ইভেন্টশিং অদু নুপীগী ইভেন্ট নৎত্রগা মিক্স টিম ইভেন্টনা শিনগদৌরিবনি।

বোক্সিং অমদি ৱেথলিফটিংগী শান্নরোয় মশীং হন্থরকপা অদুদা ইন্দিয়ন ৱেথলিফটিং অমসুং বোক্সিংগী লূপ কয়ানা মখোয়না দিসিপ্লিন অনী অসিদা ফংলম্বা ক্বোটাশিং অদু হন্থগদবা মরম্না মেদল ফংবগী পাঙ্গলসু হন্থরগনি হায়না নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লরক্লি।

ৱেথলিফটিং দিসিপ্লিননা খ্বাইদগী অশোকপা ওইরি। কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক্সতা পূন্না দিসিপ্লিন অসিদা শান্নরোয় ২৬০ শরুক য়াখি। টোকিও ওলিম্পিক গেমসতসু ৱেথলিফটর ১৯৬তা হন্থরবা মতুং পেরিস ওলিম্পিক্সতা ৱেথলিফটর ১২০ খক লৈগদৌরিবনি। লৈবাক অয়াম্বদা ৱেথলিফটিং দিসিপ্লিন অসিদা পর্ফোর্মেন্স হেনগৎহন্নবগীদমক দ্রগ শীজিন্নবা কয়া থেংনরি। লোয়নননা লৈবাক খরদনা ৱেথলিফটিং ফেদরেসনশিং অদু শিন-লাংবা হৈতবদগী কায়বা কয়াসু য়াওরি। হায়রিবা খূদোংচাদবশিং অসি শিন-লাংবা য়াননবা শান্নরোয় মশীং হন্থরকপনি।

পেরিস ওলিম্পিক গেমসতা ৱেথলিফটিংগী ওইনা নুপা অমসুং নুপীগী ইভেন্টশিং অদু ৫/৫ ওইগদৌরি। ইন্দিয়ন ৱেথলিফটিং ফেদরেসনগী সেক্রেটরি জেনরেল শাহদেব য়াদবনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী ওইনদি ওলিম্পিক্সতা ৱেথলিফটিং ক্বালিফাই ওইবগী মশীং অসি য়ামদবনিনা হন্দক আই ও সীনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিনা কা-হেন্না শোকহনবা ঙল্লোইহায়খি।

ঙন্না আই ও সীনা ৱারেপ অসি লৌরকপনা হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা লিফটরশিংনা মশানা শান্নরিবা ৱেথ কেটগোরি অদু হোংদোক-হোংজিন তৌবদা মতম মতীক চানা ফংলি।

বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি জেনরেল জে কোলিনা ফোঙদোরকখিবদা, নুপীগী ইভেন্ট হেনগৎলগা নুপাগী ইভেন্ট হন্থবা অসিনা ইন্দিয়াগী ওইনদি হীরম অয়াম্বদা অহোংবা লৈরোইদৌরি। আই ও সীনা ইন্টরনেসনল ফেদরেসনশিংদা ইভেন্ট খরগী শান্নরোয় মশীং হন্থননবা খোঙথাং পায়খৎলে হায়বসি চহী অসিগী জুন থাদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মরক অসিদা ব্রেকদান্সিং, স্পোর্টক্লাইম্বিং, সর্ফিং অমদি স্কেটবোর্দিং মেদল দিসিপ্লিন অমা ওইনা শরুক য়াগদৌরি।

# য়ুভেন্টসনা বর্সেলোনা থোইখ্রবসু টিম অনীমক নোকআউট ষ্টেজ ক্বালিফাই ওইখ্রে, মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ আর বি লৈপজিগনা থোইখিবদগী লৈহৌরে



চেম্পিয়ন্স লীগকী গ্রুপ জিগী মেটচতা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো অমসুং লিওনেল মেসিনা বোল ফংননবা হোৎনখিবা

বর্সেলোনা, দিসেম্বর ০৯(এজেন্সী): মালেম্না মমিং খঙনরবা মকোক থোংবা ফুটবোল শান্নরোয় অনী পোর্টুগল মচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো অমসুং অর্জেন্টিনা মচা লিওনেল মেসিনা ঙরাং অথেংবদা বর্সেলোনা সিটিদা লৈবা কেম্প নৌদা য়ুভেন্টসকা য়ূম্থু বর্সেলোনাগা শান্নবদা মখোয় অনীনা চহী ২গী মতুংদা অহানবা ওইনা লম্বা তৌনখি। মদুদা বর্সেলোনা ০-৩দা মায়থীরবসু য়ুভেন্টসকা লোয়নননা নোকআউট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইখি। গ্রুপ ঐচতা ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ জর্মনিগী রাসেনবোলস্পোর্ট লৈপজিগনা ৩-২দা থোইরমদুনা য়ুনাইটেদ নোকআউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

মশাগী চহী ৩০শুরবা লিওনেল মেসি অমসুং চহী ৩৫শুরবা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো চহী ২গী মমাংদা স্পেনগী লালিগাদা লম্বা তৌদুনা শান্নমিন্নরম্বনি। অদুবু কুমজা ২০১৮দা রোনাল্ডো ইটালিগী য়ুভেন্টসতা চৎখিবদগী ঙরাংগী মেটচ অদুনা মখোয় অনীনা লম্বা তৌনবা মেটচ অহানবনি। পনবা য়াই, চেম্পিয়ন্স লীগকী অহানবা লেগতা ইটালিদা লাক্তুনা বর্সেলোনাগা শান্নবদা রোনাল্ডো কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী শরুক য়াখিদবনি। ঙরাংগী মেটচ অদুগী ১৩শুবা মিনটতা রোনাল্ডোনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা একাউন্ট হাংদোকখি।

২০শুবা মিনটতা য়ুভেন্টসকী অতোপ্পা শান্নরোয় জোন ক্বাদ্রাদোনা পীরকপা বোলদা ৱেষ্টর্ন মেকিনিনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা য়ুভেন্টসনা পুশিল্লকপা এটেক অমদা পেনাল্টি ফংবদগী খূদোংচাবা অদুসু কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৩-০দা বর্সেলোনাবু থোইদুনা অহানবা লেগতা মায়থীখিবা অদু লমন শিংখি। টিম অনীমক রাউন্দ ৬ শান্নবা লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ১৫/১৫ ফংমিন্নরগা নোকআউট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ ঐচকী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ জর্মনিগী আর বি লৈপজিগকী মখূৎতা ২-৩দা মায়থীদুনা গ্রুপ অসিদগী নোকআউট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদবনি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু জর্মনিগী টিম অদুগী মায়কৈদগী শুপ্নগী মিনট ২ চঙশিল্লকপদা চনবা ঙমখি। মার্সেল সেবিটজরনা পীরকখিবা বোলদা এঞ্জেলিনোনা পাঞ্জল চনখিবনি। মখা তানা জর্মনিগী টিম অদুনা অথুবদা চথুরকখিবা এটেক অমসু মায় পাক্লা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। অহানবা পাঞ্জল চনখিবা এঞ্জেলিনোনা সপ্লাইয়র ওইরগা অমাদো হাইদরানা ১৩শুবা মিনটতা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখিবনি। অহানবা হাফ অদুগী লেমহৌরিবা মতম অদু লোইশিল্লকপা ফাওবদা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা পুংখায় ফারমদায়দা মখা তানা জর্মনিগী রাসেনবোলস্পোর্ট লৈপজিগকী মায়কৈদগী অমাদো হাইদরানা সপ্লাই তৌরকপা বোল অমা শান্নবগী ৬৯শুবা মিনটতা জষ্টিন ক্লুইভর্টনা পাঞ্জল চন্দুনা ৩-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা ৮০শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। মিনট অনীগী মনুংদা মখা তানা টিম অদুগী মায়কৈদগী ইব্রাহিমা কোনাটেনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ইক্বেলাইজর থিবা হৌরকখি।

জর্মনিগী ক্লব অদুগী দিফেন্দরশিংনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী এটেকশিং অদু কান্নবা পীদনা দিফেন্দ তৌবা ঙমখি। ৩-২দা মায় পাক্লম্বা রাসেনবোলস্পোর্ট লৈপজিগ রাউন্দ ৬তা পোইন্ট ১২ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখিবদগী নোকআউটকীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

গ্রুপ অসিদা ঙরাং পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং ইষ্টানবুল বাসক সেহিরগী মেটচ অদু ওফিসলগা মুক্লবা খরা লৈখিবদগী মেটচ অদু য়ৈথোক্লগা অমুক নৌনা শান্ননবগী খোঙথাং লৌখৎখি।

# বিস্বানাথন আনন্দ অমদি ৱেষ্টব্রিজ কেপিটেলনা চেছ ফেলোশিপ প্রোগ্রাম হৌদোক্লগনি



ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা গ্রান্দমাষ্টর বিস্বানাথন আনন্দ

চেন্নাই, দিসেম্বর ০৯(এজেন্সী): মমাংদা চেছ ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিস্বানাথন আনন্দনা ৱেষ্টব্রিজ চেরিটেবল ফাউন্দেসনগী মখাদা লৈবা ৱেষ্টব্রিজ কেপিটেলগা খূৎ-শম্নরগা ৱেষ্টব্রিজ-আনন্দ চেছ একাদেমি (দব্লিয়ুএসীএ) লিংখৎতুনা চেছ ফেলোশিপ প্রোগ্রাম পীরগনি।

দব্লিয়ু এ সী এনা হান্নদগী চেছ শান্নরক্লবা অমদি নৌনা থৱায় য়াওনা শান্নরক্লিবা শান্নরোয়শিংদা মতেং ওইননবা মখোয়বু তাকপী-তম্বীবগী খূদোংচাবা পীদুনা লৈবাক অসিদা চেছ মশান্নদা মালেমগী থাক্তা শান্নবা ঙম্নবগীদমক অচৌবা খূদোংচাবা অমা পীরগনি। তুংদা লাক্কদৌরিবা ইন্দিয়াগী চেছ শান্নরোয়শিংনা বিস্বানাথন আনন্দনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্বগী লম্বেল অদু মখা তানা শেম্মনবা একাদেমি অসিনা হোৎনগদৌরি।

দব্লিয়ু এ সী এনা চহী খূদিংগী মতীক চাবা ফেলোশিপ প্রোগ্রাম অসি ফংবা য়াবা কেন্দিদেটশিং খন্দোক্তুনা মালেমগী ওইবা চেছ রেঙ্কিংগী সিষ্টমদা মকোক থোংবা ঙম্ননবা শেম শারকপা একাদেমি অমা ওইগদৌরিবনি। নহা ওইরিবা চেছ শান্নরোয়শিং অসিবু দব্লিয়ু এ সী এ ফেলো হায়না মিংথোন পীদুনা কান্নবা অসি ফংলবা মতুং মখোয়গী করিয়রদা হান্না লৈরম্বা ফীভমদগী থাক ৱাংখৎতুনা শান্নবা ঙম্নবা শিল্লকপনি।

অনৌবা খোঙথাং অসিগী মতাংদা আনন্দনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াদা হৌখিবা চহী ২০ লোম অসিদা চেছ মশান্নগী ওইনা অহেনবা কয়া উবা ফংলি। লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা চেছ শান্নরোয়শিংগী মরক্তা করিগুম্বা অচূম্বা লম্বেল তাকপীবা ঙম্লবদি হান্নদগী থৌনা লৈরিবা শান্নরোয়শিং অসিবু মালেমগী মকোক থোংবা চেছ শান্নরোয় ১০গী মনুং চনবগা লোয়নননা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবগী পোটেন্সিয়ল অদু ফেলোশিপ অসিনা ময়েক শেংনা উথোক্কদৌরিবনি।

ৱেষ্টব্রিজগুম্বা কম্পেনি অমনা লৈবাক অসিগী চেছকী ফীভম অসি হেন্না ফগৎনবা মওংদা থোরক্তুনা মতেং পীরকপা অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। ইহান হানবা ফেলোশিপ অসিগী মখাদা গ্রান্ট ফংগদৌরিবশিং অদুদি গ্রান্দমাষ্টর আর প্রগনন্ধ (রেটিং পোইন্ট ২৬০৮ ফংলিবা চহী ১৫ শুরবা), গ্রান্দমাষ্টর দিহাল সারিন (রেটিং পোইন্ট ২৬২০ ফংলিবা চহী ১৬শুরবা), এম রোনক শাধৱানি (রেটিং পোইন্ট ২৫৪৫ ফংলিবা চহী ১৫ শুরবা), দি গুকেশ (রেটিং পোইন্ট ২৫৬৩ ফংলিবা চহী ১৪ শুরবা) অমসুং চহী ১৯শুরবী প্রগনন্ধগী মচে রেটিং পোইন্ট ২৩৯৩ ফংলিবী আর ভৈসালিনি।

ৱেষ্টব্রিজ কেপিটেলগী মেনেজিং দিরেক্টর অমদি কো-ফাউন্দর ওইরিবা সন্দিপ সিঙ্ঘলনা ফোঙদোরকখিবদা, দব্লিয়ু এ সী এনা মালেমগী চেছকী লম্দা ইন্দিয়াগী অচৌবা ফম অমা কনবা ঙম্নবা হোৎনগদৌরি। হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনদি ভর্চ্যুএলগী খূত্থাংদা ফেলোশিং অসিবু তাকপী-তম্বীগদৌরি।

# চিনাপানা গেম ৪০০ শান্নবা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী শান্নরোয় ওইরে



চেন্নাই, দিসেম্বর ০৯(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী স্কৱাশ শান্নরোয় জোস্না চেনাপানা প্রোফেসনেল স্কৱাশ এসোসিএসন টুরগী মনুং চন্না গেম ৪০০ শান্নবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী স্কৱাশ শান্নরোয় ওইরে।

মশাগী চহী ৩৪ শুরবী জোস্না চিনাপানা ইজিপ্টকী কোনুং কাইরোদা পাঙথোকপা সী আই বি-ব্লেক বোল স্কৱাশ ওপন টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা মায় পাক্তুনা গেম মশীং ৪০০ শুবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াদা নুপাগী স্কৱাশ শান্নরোয় সৌরভ গোষলনা মেটচ ৪৪৪ শান্নদুনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয় ওইরি। মালেমগী ওইনা ইংলেন্দগী এলিসন ৱাটর্সনা মেটচ ৪৮৭ শান্নদুনা মকোক্তা লৈরি। অদুগা ফ্রান্সকী কেমিল সর্মেনা মেটচ ৪৩৯ শান্নদুনা অনীশুবদা লৈরি।

# জপানগী কেন্টো মোমোটা এক্সিদেন্টতা শোক্লুরবা মতুং শান্নবা হৌরগনি

টোকিও, দিসেম্বর ০৯(এজেন্সী): জপানগী বেদমিন্টন ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় কেন্টো মোমোটানা ঙসি টোকিওদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না চহী অমগী মমাংদা কার এক্সিদেন্টতা শোক্লুরবা মতুং অমুক হন্না কম্পিটিসনদা শরুক য়ারগনি হায়খ্রে।



শোক্লুরবা মতুং অমুক হন্না শান্নরগনি হায়রকখিবা জপানগী কেন্টো

মহাক্লা য়ৈথোকখ্রবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা গোল্ড মেদল ফংননবা মীৎয়েং থন্লি। নীংশিংবা য়াবদি, হৌখিবা চহীদা মলেসিয়া মাষ্টরস বেদমিন্টন টুর্নামেন্টগী টাইটল ফংলবা মতুং ক্বালালুম্পুর এয়রপোর্ট তম্না চৎপদা মহাক্লা তোংখিবা কার অদু এক্সিদেন্ট থোক্তুনা দ্রাইভর শিখিবনি, অদুগা মহাক্লা শাথীনা শোকখিবনি।

মোমোটানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাক মপূং ফানা শোকখিবা অদু রিকোভর তৌরে। লোয়নননা মহাক্কী হান্নগী ফীভম অদুদা হঞ্জিন্নবা হোৎনরগনি হায়খি। থা অসিগী লোইশিল্লকপদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল জপান নেসনল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগনি। মদু লোইরগা জন্যুৱারী থাদা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টসু শরুক য়াগনি হায়রি।

মহাক্কী এক্সিদেন্ট অদুদা মীৎকী সোকেট ফ্রেকচর তৌখিবনি। মহাক মখা তানা বেদমিন্টন করিয়র অসি লেপ্পলগদ্রা হায়না পাখৎলুবনি। অদুবু চহী ২৬শুরবা কেন্টো মোমোটানা মহাক্কী অশোকপা অদু মপূং ফানা ওইশিল্লবনিনা কম্পিটিসন শরুক য়াদুনা শান্নবা হৌরগনি হায়খি।

মার্চ থাদগী অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা দেনমার্ক ওপনদা মহাক কোভিদ-১৯গী অকিবা লৈবনা শরুক য়াখিদবনি। টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা বেদমিন্টনগী গোল মেদল অমা জপাননা কেন্টো মোমোটাদগী পানরি।

# য়ু এসকী সোফিয়া কেনিন্ দব্লিয়ু টি এ প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রে

ন্যু য়োর্ক, দিসেম্বর ০৯(এজেন্সী): য়ু এস এগী নুপীগী টেন্নিস শান্নরোয় সোফিয়া কেনিন্না কুমজা ২০১৯-২০গী দব্লিয়ু টি এ (ৱিমেন্স টেন্নিস এসোসিএসন) প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, সোফিয়া কেনিন্না করিয়রগী অহানবা গ্রান্দ-স্লাম টাইটল অদু মমাং চহীগী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অদু লৌখিবা অদুনা ওইরি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর এস্লি বার্টিবু সেমীফাইনেলদা মায়থীবা পীরবা মতুং টাইটল অনীরক ফংখ্রবা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজাবু ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। মখা তানা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টুর্নামেন্টতসু ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক সিজন লোইশিল্লকপদা ৱর্ল্ড নম্বর ফোরদা লৈরি।



# বজ্রং পুনিয়া অমসুং ভলারিভননা ইন্দিয়া স্পোর্টস এৱার্দ ফংখ্রে



ওলিম্পিক্সকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইখ্রবা পুনিয়া অমসুং ভলারিভন

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ০৯(এজেন্সী): চহী খূদিংগী এফ আই সী আইনা স্পোন্সর তৌদুনা পীবা ইন্দিয়াগী ওইবা স্পোর্টসপর্সন ওফ দি ইয়রগী মনা অদু নুপাগীদা রেষ্টলর বজ্রং পুনিয়া অদুগা নুপীগীদা শুটর ইলাভেনিল ভলারিভননা ফংখ্রে। হন্দক্কী এৱার্দ পীবগী থৌরম অদু কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ভর্চ্যুএল ওইনা পাঙথোকখ্রে।

বজ্রং পুনিয়া অমসুং ইলাভেনিল ভলারিভন কুমজা ২০১৯-২০দা মখোয়-মখোয়গী তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিং অদুদা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখি।

হৌজিক-হৌজিক য়ু এস এদা ট্রেনিং চথুরিবা টোকিও ওলিম্পিক্সকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইখ্রবা ফ্রী ষ্টাইল রেষ্টলর বজ্রং পুনিয়ানা ফোঙদোরকখিবদা, এৱার্দ অসি ফংবদা হরাউবা ফাওই। মহাক্কী মায়কৈদগী তুংদা অরৈবা হোৎনদুনা ইন্দিয়াগীদমক্তা মেদল য়াম্না লৌবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়খি। অসিগুম্বা মনা অসিনা মহাকপু হেন্না ফজনা শান্নহন্নিংবগী পাঙ্গল হাপ্লী হায়খি।

নাকল অমরোমদা, শুটর ইলাভেনিল ভলারিভননা মনা অসি ফংলকপদা অহানবদা মহাক্কী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। লোয়নননা মহাক্কী মেন্টোর গগননারন অমসুং কোচ নেহা চৌহানবুসু মহাকপু থাক অসি য়ৌনবা হোৎনবীরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। মহাক্লা মখা তারদুনা নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া অমসুং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।



HL-B/6497/3/11-31/12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com